# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-50

**(Adaptation to climate change in India, mitigating the climate change through forest)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) শেঙ্গোই - চিফ কঞ্জাবেটর ওফ ফোরেষ্ট (২) য়াংথোইবা - কোলেজ প্রোফেসার (৩) ইমোসনা - রিছার্চ স্কোলর

নুপী:- (১) তরুবী - শেঙ্গোইগী নুপী
(২) থারিকথা - রিছার্চ স্কোলর

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম:- শেঙ্গোইগী য়ুম, উচেক-ৰায়াগী খোঞ্জেল)

তরুবী :- (ফোন রিং লাকপা) অসুক ঙন্না কনাগী ফোননোনে লাকইসিবো, নোং ঙাল্লি ঙাল্লি তৌরকপা মতমসিদা নুংঙাইনা ঙহাক্তং তুমথরকপসিদা (উইরি-উইরি ঙাংবা)... অস! সিদি মোয়তাচৌনিনে... হল্লো... কৈদৌরগে অসুক ঙন্না ফোন তৌরকইসিবো, ঙহাক্তং তুমথখিগে তৌবসিদা হেক্তা হৌদোকরকই।

শেঙ্গোই :- কৈনোনে মসি নুপীসিবো, অয়ুক ঙন্না হৌগৎলগা ৰাইশিৎ-ৰাইরম তৌরগা, ইরু মায়থজদুনা নুপী অয়াম্বা লাই-ধুপ থাওমৈ থানরবা মতমসিফাওবা তুমদুনা লৈরিসিবো।

তরুবী :- কৈদৌদোইনো অয়ুক ঙন্তা হৌগৎলগা, মোয় তাচৌ ফংঙি, আ হিমাচল প্রদেশতা চিফ কঞ্জাভেটর ওফ ফোরেষ্ট ওইনা পোষ্টিং তাদুনা লৈখ্রে, সিদা ঐগা নচলনুপী থারিকথাগা ইবানিখক্তা তরক-তরক চাওখ্রবা য়ুমসিদা লৈহৌরে, ইবেম্মনা ঙসাইনা হৌগৎলগা লাই-ধুপ থাওমৈ থানবগা লোইনা লোইখরে, থবক তৌনিংঙাইসু অমতা লৈতে ঐদি, অদুনদি তুমদুনা লৈত্রদি কৈদৌদোইনো?

শেঙ্গোই :- তরুবী ! নঙসে খরদি হেনমনলবনিকো, নঙনা তৌগদবা নথৌশিংদুনা নচলনুপীনা তৌ লৈরে, নশাদু খরা লৈরদি চাবগা তুম্বগা তৌ লৈরবনিনা পোকখাইদৌখে নোয়জরক্লনি।

তরুবী :- হুম ! য়াংকংদৌ শরুক নোয়বনা ফৎতরো, শিকং কংলদনা শরুগী শরু ঙাক্তা ঙায়বদো ঐখোয়দি পামজদে, বীৎ-বীৎ লাওনা নোয়জগে।

শেঙ্গোই :- নোয়জৌ নোয়জৌ অদুদগীদি নশাদু লায়না-মকোল শারক্লবা, কান্নদবদা ৰাথী ৰারেম তৌ লৈরে, হায় ৰা হায়গে তাও, ঐগী থবক পোষ্টিং মফম মণিপুরদা অমুক তারে, ঐ য়াম থুনা য়ুমদা লাক্লগনি।

তরুবী :- (হরাওবা) অওইবরো, নুংঙাইরেদা মোয় তাচৌ সিদা লাক্লনি হায়বসিদি, ঐগা থারিকথাগদা সিদা তরক-তরক লৈবসে য়াম্না নুংঙাইতে, কনামতা লৈজদবদৌনা ইতু ইপোন পোন্না লৈ।

শেঙ্গোই :- সিদগীদি ঐ লাক্লদবনিনা নোয়গী করিসু ৰাৎলরোই, নঙসু হৌগৎলো তৌগদবা নথৌশিং তৌথোক্লো, ঐসু ওফিস খরা ঙন্না চৎনবা তৌগে অদুগা চে-চাং লোইশিনগদবশিং লোইশিন্নবা তৌরুগে। ফোন থম্মো থম্মো...।

তরুবী :- (হরাওনা কৌবা) ইবেম্মা... ইবেম্মা... থারিকথা...।

থারিকথা :- (কা মনুংদগী খুল্লকপা) করি হায়গে ইনম্মা, ঐ লাইরিক পারিয়ে।

তরুবী :- লাওনে সিদা পাও নুংঙাইবা অমা তন্বীগে, য়াম থুনা লাওনে।

থারিকথা :- করি পাওনো ইনম্মা নুংঙাইবা পাও হায়বো।

তরুবী :- নোয় তাচৌদো সিদা পোষ্টিং তারে য়াম থুনা লাকঅনি হায়রকইবা।

থারিকথা :- (হরাওবা) ফরেদা ইনম্মা ঐখোয় তাচৌ লাকঅনি হায়বসিদি, লাইনা ইনশিনলকপগা চপ হেক মান্নরে ঐনা খল্লম্বগা।

তরুবী :- কৈনো নঙনা লাইনা ইনশিনলকপগা মান্নরেকা হায়রিদুবো, ঐদি গ্যান মাংলেদা নঙনা ঙাংলিদু।

থারিকথা :- অদুবুরো ইনম্মা হন্দক ঐখোয়গী সার য়াংথোইবগী রিছার্চ প্রোজেক্ট অমদা ঐগা ঐগী ইমান্নবা ইমোসনাগা রিছার্চ এসিষ্টেন্ট ওইনা য়াওইদনা...।

তরুবী :- হোয়নে অদু কৈদৌরবা, নোয়গী রিছার্চ প্রোজেক্টতুগা নখোয়গী তাচৌগা করি মরী লৈনগে।

থারিকথা :- ঐখোয়না তৌরিবা রিছার্চ প্রোজেক্ট অদু ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমদি ফোরেষ্ট ইকোসিস্তেমগা লৈনরিবা মরী অসিগী মরমদনি, মণিপুরগী ফোরেষ্ট এরিয়া খুদিংমক কোইনা চৎতুনা সর্ভে ৱার্ক তৌগদৌরিবনি, ঐখোয় তাচৌনা সিদা চিফ কঞ্জাভেটর ওফ ফোরেষ্ট ওইনা লৈরবদি ঐনা ইনিং তম্না লমদম অসিগী উমং-ৱামংগী মরমদা থীজিনবদা মতেং ওইরনিদনা।

তরুবী :- ওহ ! অদুগী ওইরে ফরে ফরে, ইনম্মসু অমুক্তা ইরু মায়থজরুখিগে,নঙ ব্রেক ফাষ্ট শেমগৎলল্লো।

থারিকথা :- হোয় ইনম্মা, (ফোন রিং লাকপা)... হল্লো... ইমোসনা কৈনো ঙসিদি ফোনগসে ঙন্তা তৌবীরকইসিবো, ঐনা তৌদ্রদি ফোনসে নঙনদি পাক পাক তৌরক্তবনি, ফোন তৌবীরকইসিনদি য়াম্না অর্জেন্ট ওইবা মরম অমা লৈরমগদবা মাল্লিদা।

ইমোসনা :- নঙগী হৌনবী কোচি কোৎ কোৎতুনা ঙাংবীদু হৌরক্লবরা, ঐ হৈনদে হায়রেদনা।

থারিকথা :- হো করি তাকপীগদবনো সনা য়াথং তাওথবীরকও।

ইমোসনা :- হায়রিমক্তদা সুম হেনজিনলকই নঙসে, সার য়াংথোইবনা ইবানি হৌজিক পুং মাপল নংনবা সারহোয়দা লাকউ হায়রকই।

থারিকথা :- ওহ! অদু ওইরদি নঙ ঐবু অমুক্তা পিক-অপ তৌবীররোলাও।

ইমোসনা :- হোয় ঐ লাক্লবা লোইশিনলগে নঙসু লোইশিনলগা ঙাইদুনা লৈরম্মো ফোন থম্মেকো (ফোন থমখিবা)।

-ম্যুজিক-

(মফম:- য়াংথোইবগী য়ুম, মতম:- নুংশা শাগৎলকপা মতম, টি.ভি. থাবগী মখোল)

য়াংথোইবা :- পুং নিপাল, মপাল তারকপদা মঙাইরি, ওস্থোক্লসু শাখ্রেদকো ঙসিসে, হোরেল নুংথিল পুং অমা-অনি অদুৱাইদদি শামন্দুনা য়ুমদগী মাপাল থোকপা ঙমগদবা মান্দরে, থারিকথাগা ইমোসনাগদুসু হৌজিক ফাওবা য়ৌরক্ত্রি নে (মতোমতা শোঞ্জবা), টি.ভি. শিদুম ঙহাক য়েংখিগে করি প্রোগ্রামবু লাকপজাৎনো (টি.ভি. থাবা)... এ ! সিদি নেচরেল দিজাষ্টরনা থোকহনবা অমাংবশিংগী মরমদা উৎপা সাইন্স ফিক্সননিনা... (টি.ভি. সাউন্দ তাবা...)।

ইমোসনা :- থারিকথা পুং মাপল নংনবা সারনদি লাকউ হায়বনি, মিনট ১৫ হেল্লে ইবানিনা সারহোয়গী য়ুমদা য়ৌরকইসে।

থারিকথা :- লম্বী চীনমনবদগী খরা থেংদোকখরে, ঙসিগী ওইনদি এস্ক্যুজ তৌবীরো হায়রসি।

ইমোসনা :- মীবু কনামতবু লৈবা উদেনে, সারদু ঐখোয়না থেংবসিদা চৎথোকখ্রবজাৎলা ! সার...সার ... ঐখোয় লাকএ... সার...।

য়াংথোইবা :- নোয় লাকঅবরা, লাকও লাকও চংঙকও লাকও শোমদা দ্রোইং রুম সোমদা লাকও।

থারিকথা :- সার ঐকোয় ঙসিদি খজিক্তং থেংদোকখরে ট্রাফিক জাম ওইদুনা লম্বীদা গাড়ী থৌবা য়াদদুনা য়াম ৱানা য়ৌজরক্লীবনি, ৱারৌবীবা য়াদে সার।

য়াংথোইবা :- থারিকথা ! নঙসে শিংদি শিংবাজাৎনি, ঐনা হান্না নোয়না থেংলক্লিবসিগী মরম হংন্নবা তাঞ্জাগা অমতা পীদে, ঐনা নোয়বু চৈন্নবা মরমগসে নঙনা হান্না ঙাকথোক্লবা হেক্তা হোৎনৈ, ফৈ ফৈ পংগদবগী মহুৎ নুপীদি খরা শিংবনা ফৈকো (নোকপা)।

ইমোসনা :- সার ! গাড়ী মশিংসে ফনদি য়াল্লবজাৎনিকো ঐখোয়গী লমদমসিদসু, মী মশিংদগীদি গাড়ী মশিংনা হেন্নবু য়াল্লমগদবা মাল্লেবো।

থারিকথা :- সার মালেমগী মফম খুদিংদা ফোশিল ফ্যুএলশিংনা চেনবা, গাড়ী মশিং অসুম অসুম হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং কার্বোনডাইওক্সাইদ, নাইত্রস ওক্সাইদ, মিথেননচিংবা এটমোস্ফিয়ারদা য়াওবগী চাং অসিসু কা হেন্না ৱাংখৎলক্লে হায়বসি খঙলবসু কনানসু থৌশানদবদৌনা তৌই।

য়াংথোইবা :- ঐখোয় মীওইবদি নুংঙাইনা হীংবা পাম্বা ঙাক্তনি, তুংগী য়েংদনা হৌজিক হৌজিক্কিদং খনবা মীওইবগী মশিংনা মালেম অসিদা য়াম্না হেন্না লৈ, য়েংঙুনে তু ঐনা য়েংলম্লিবা সাইন্স ফিক্সন ফিলম অসিদা উৎলিবশিং, হায়বদি মালেমসিদা লৈরিবা চাওরা চাওরবা চাওখৎলবা সহরশিং পুন্বা সমুদ্রগী ঈশিংনা পুমথুম থুমজিনখ্রিবা, অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ, য়ুহার হাবা কয়া থোরক্লিবা, ঈশিং-ইচাও, ইকং কয়া থোরকপদগী মীওই কয়া মশিং লাকঙমদনা শিরিবা, লায়না মখল কয়া, পেন্দেমিক লায়নাশিং মালেমগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোরক্তুনা মালেম অসি খুন্তাক লানশিরে, য়েংঙুনে নখোয়সু পুম্নমকসে ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোরকপদগীনি, ঐখোয়না হৌজিক উরিবশিংসে চহি খরগী মতুংদা ওইরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে অদুনা ঐখোয়না ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ওইহনলক্লিবা চৈথেং কয়াসিদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবা তাই (টি.ভি. মুথৎপা)।

ইমোসনা :- সার, খনজিনলুরবদি কীনিংঙাইগী মশকনি হৌজিক মালেমসিদা ওইরক্কদবা অইং-অশাগী খল কাইথরক্লিবা অসিদগী থোরক্কদবা অমাংবশিং অসি।

থারিকথা :- সারনা ঐখোয়বু কৌবীবগী মরম অসিবু করি মতাংগী ওইবীরবনো?

য়াংথোইবা :- ইমোসনা... থারিকথা... ঐনা নবানিবু কৌরিবসে, ঐখোয়গী প্রোজেক্ট অসিগী তৌগদবা ৱার্কপ্লানশিং অসি মায়পাক্লা পাংথোকপা ঙম্নবগী মরমদা খন্নসি হায়না কৌবনি।

ইমোসনা :- সার ঐখোয়না পায়খৎলিবা রিছার্চ প্রোজেক্ট অসি মায়পাক্লা পাংথোকপা ঙম্লবদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙমগনি খল্লি, ঐখোয়গী উমং-ৱামংশিং অসি ঙাক শেন্দুনা উমং-ৱামংগী শরুক মাংশিনলক্লিবা অসি অমুক নৌনা শেমগৎ শাগৎতুনা, উমংগী শরুক হেনগৎহনলবতদা ঐখোয়না মালেম অসিদা কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং ৱাংখৎলিবা অসি হন্থহনবা ঙমদুনা গ্লোবেল ৱার্মিংদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি।

থারিকথা :- সার, ঐখোয়গী লৈবাক ভারতকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং অসিগী ক্লাইমেৎ কন্দিসন অসি অমগা অমগা য়াম্না খেন্নে, লৈকংলাগী শরুক, উনতনা কুপশিনলবা মফমশিং, গ্লেসিয়রগী শরুকশিং, হিমালয়ান রিজন, নোংচুপ থংবা সমুদ্রগী খোঙবালগী লমশিং, নোর্থ-ইষ্টর্ন ষ্টেটকী শরুকশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা ক্লাইমেৎকী মওং-মতৌশিং লৈবনিনা ঐখোয়না গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিদগী ঙাকথোক্নবা থৌওংসু তোঙান-তোঙানবা মওংদা পায়খৎপা তঙাইফদে, হায়বদি সার দিফরেন্ট ৱেজ ওফ ষ্ট্রেতেজিক দরকার লৈ হায়না খনজে।

য়াংথোইবা :- উম অচুম্বনি, থারিকথা নঙনা খল্লিবা ৱাখল অদু, ঐখোয়না গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী প্রোব্লেম অসি মায় পাক্না মায়োক্নবা ঙম্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা ষ্ট্রেটেজিশিং তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী পায়খৎপা তাই, খুদম ওইনা হায়রবদা ঈশিংগী অৱাবা মায়য়োক্নবা মফমশিং হায়বদি নোংগী চাং ৱাৎনা তাবা মফমশিংদনা ঈশিং কাহেন্না চংদবা মনা-মশিং, মহৈ-মরোংশিং থাবা তাই অদুগা ঈশিং কা হেন্না লৈবা মফমশিংদনা নোংগী চাং ৱাংনা তারবসু অমদি ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংনা য়াওরসু হৌবা ঙম্বা মহৈ-মরোং, মনা-মশিং থাবা তাই।

ইমোসনা :- অদুগা সার, অশাবা অমদি রিলেটিব হ্যুমিদিতি ৱাংবা মফমশিংদনা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং ঙাকথোক্নবা হোৎনবা অমদি অইংবা মফমশিংদনা ভাইরসনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবা দরকার ওই। সমুদ্র মপালগী লমশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগীসু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ, সুনামি, হরিকেনচিংবা নেচরেল দিজাষ্টরদগী ঙাকথোক্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎপা তাই।

থারিকথা :- গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা খ্বায়দগী মরু ওইবা পান্বেদি উমংশিং অসিবু য়োকখৎপা হায়বসিনি, উপান্বীশিং অসিনা কার্বোনডাইওক্সাইদকী শরুকশিং অসিবু চুপশিনলিবনি, উপাল-ৱাপালশিং অসিবু কনবা হায়বসিনা মালেম অসিবুসু কনবা ঙমগদৌরিবনি।

য়াংথোইবা :- ইন্দিয়া ষ্টেট ওফ ফোরেষ্ট রিপোর্ট (আই.এস.এফ.আর.), ইং ২০১৯গী মতুংইন্না ভারতকী অপুনবা উমংগী শরুক অসি স্কার কিলোমিটর ৮,০৭,২৭৬ রোম ওইরে হায়বদি অপুনবা জিওগ্রাফিকেল এরিয়াগী চাদা ২৪.৫৬ রোমনি। ইং ২০১৭দা ওইরম্বা উমংগী শরুক্তগী স্কার কিলোমিটর ৫,১৮৮ রোম হেনগৎলে, হৌজিক হৌজিক চাওরাক্না ভারতকী উমংগী শরুক অসি অপুনবা লমগী চাদা ২৫রোমদি ওইরে অদুবু ঐখোয়না থল্লিবা পান্দম হায়বদি ভারতকী অপুনবা লমগী চাদা ৩৩রোম উমংগী শরুক ওইহনবা হায়রিবসি ফংননবা হোৎনবদা চাওরাক্না চহি তরারোমদি চঙখিগদরা খল্লি।

ইমোসনা :- সার, ঐখোয় মীপুম খুদিংনা উমং য়োকখৎতবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অসি চপ মান্ননা খন্দুনা হোৎনমিন্নরবদি ঐখোয়না উমংগী শরুকশিং অসি ইরায় লায়না হেনগৎহনবা ঙমগনি খল্লি।

থারিকথা :- সার ! ঐ সারদা পাও অমগা তমগে তৌবদা ৱারী নুংঙাইমনখিদুনা পাও তম্বগা লোইনা কাওরে।

য়াংথোইবা :- করি পাওনোনে নঙনা তমগে খল্লিবা পাওবো?

থারিকথা :- ঐখোয়গী তাচৌ সিদা চিফ কঞ্জাভেটর ওফ ফোরেষ্ট ওইনা লৈরনি হায়রকই, ঐখোয় তাচৌ সিদা লৈরদি ঐখোয়না ফোরেষ্টকী মফম মফমশিংদা চৎতুনা সর্ভে ৱার্ক তৌবদসু খুদোং য়াম্না চারনি সার।

য়াংথোইবা :- এ ! অদুদি য়াম্না নুংঙাইবা পাওনি, নোয়গী তাচৌ শেঙ্গোইদু কোলেজ তম্লিঁঙৈ মতমদা উনখিবদগী অদুমক উনখিদরে, মানা ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্ভিসতা অদুম চংখরে, ঐনা জেনরেল লাইন ওইনা মথং-মথং অদুম তমথহৌরে। নখোয়গী তাচৌ সিদা লাকঅনি তাবদা য়াম্না নুংঙাইরে, মা হেক লাকপগা ঐনা উন্ননিংঙি হায়না নঙনা খরা তম্মুকো।

থারিকথা :- ঐ শোয়দনা তমজগে সার, অদো সার ঐগা ইমোসনাগা খরা হান্না য়ুনিভর্সিটিদা চৎলম্লগে, সারসু লাক্লবা তৌবীরো।

য়াংথোইবা :- হোয় হোয় চৎলম্লো চৎলম্লো।

ইমোসনা :- অদুদি সার ঐখোয় চৎচরে, থারিকথা ! চৎসি লাকও (গাড়ী থৌখিবা)।

-ম্যুজিক-

(মফম:- খ্বাইরম্বন্দ বাজার, মতম:- নুমিদাংৱাইরম, গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মখোল, মীয়াম তীনবগী মীনিল)

শেঙ্গোই :- (গাড়ী থৌনা থৌনা ঙাংবা) তরুবী, ঐখোয়গী ইম্ফালসিসু মীদি ওখাক চীল্লেহে, মীগী মী ঙাক্তা, গাড়ীগী গাড়ী ঙাক্তা, ঐনা হন্দক মতম খরা মপান্দা লৈরুবসিদা ঐখোয়গী লৈবাকসে ফনয়াম্নদি ওনলম্লে।

তরুবী :- উম, য়াম ওল্লে, মীশিংসু অসুম অসুম হেনগৎলকপগী মতিক গাড়ী মশিংসু হেনগৎলক্লি, গাড়ীশিংদগী থাদোরকপা টোক্সিক গ্যাসশিং অসিনসু নুংশিৎ অসি শেংহন্দরে অমদি কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা থাদোরক্তুনা এটমোস্ফিয়ারদা তীনশিনখিদুনা শাবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎহল্লে, ঐখোয়গী ইরমদম অসে মতম অমদা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং চানা লৈজরম্লবসু হৌজিক্তি মহৌশাগী ঋতুগী খোঙচৎ অসে কায়রে, য়েংঙুনে মোয় তাচৌ ঐখোয়গী সহর অসিসু নোইস পোল্লুসন, এয়র পোল্লুসন, ৱাটর পোল্লুসন থোক্লে, অমোৎ অকায়তনা পীক থনখরে ঐখোয়গী লমদম অসে (নুংঙাইতনা হায়বা)।

শেঙ্গোই :- (বাজারগী নীলখোংবা) ইস ! গাড়ীসিদি কদায়দা পার্ক তৌরমগনি তৌরিসিদি, পার্কিংসিদি গাড়ীগী গাড়ী ঙাক্তা অহাংবা মফম মচেৎ অমফাওবা লৈতেনে তৌরিসে, এ ! স্বাইদা অহাংবা মচেৎ অমা লৈরিসিদা হেক্তা খামজিনলগে (গাড়ী খান্বা)।

য়াংথোইবা :- হায় মরুপ শেঙ্গোই নৎতরো, মরুপ নঙ ঐ খঙদ্রবো... ।

শেঙ্গোই :- এ ! মরুপ য়াংথোইবা, ঐদি নঙসে ঙহাক্তং নীংশিংবা থোক্লুদরে, নঙদি নহালৱাই ঐখোয়না কোলেজ তম্লিঁঙৈ মতমদুগী ফীভমদুগা য়াম্না খেন্নরম্লে অদুদদি ঙহাক্তং ঙকচানরুরে।

য়াংথোইবা :- কয়াদি কুইরে ইবানি উনরক্ত্রি বসে, ঙসি বাজারসিদা সুমাইনা থেংননিকা হায়বসে সুংখনবু খল্লুদে, কমায় কমায় তৌরিগে নুংঙাইরিবরা?

শেঙ্গোই :- নুংঙাইরি হায়বা তায় মরুপ, ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্ভিসতা লৈরুবদগী থবক্তি ফজনা চীল্লে, য়ুমদকা লৈবা সুংফম ফংদ্রবনি, হন্দক্তি উচীন নাচীন্না ঐখোয়গীসিদা পোষ্টিং তারক্লে, ঙরাং য়ুমদা থুংলবনি, তরুবীনা বজারদগী পোৎ-চৈ খরা লৈরুসি হায়দনা লাক্লিবনি।

য়াংথোইবা :- ঐদি তরুবী য়াওরকইকাহায়সি উরুদরে, শাওনুকো তরুবী, কুইনা উনরুদ্রবা মরুপ অনি থাজদনা হেক থেংনবসিদা মনাক্তা লৈবা মীগা অমতা উদ্রেহে।

তরুবী :- শাওদেদা তামো, করি তৌবগী শাওদোইনো ঐখোয়সু কৈদৌঙৈনো অমা তামোহোয়দা লাক্কে খনজরল্লিবনি, ঐখোয় ইবেম্মা থারিকথানসু মোয়গী সারহোয়গীদা চৎলুসি হায়দুনা মোয়তাচৌদা হায়রিবনি।

শেঙ্গোই :- অদো য়াংথোইবা লন্বী ময়াইসিদা লেপ্লগা ৱারী শাদোই শরুক তু অসিদা হোটেল অমা লৈরিসে অসিদা কোফী কপ অমমমদং থক্লুসি ৱারী শাবা ওইনা।

তরুবী :- ঐদি কোফিদংদি থক্লোইকো, অচাপোৎ অহাওবা অমসু পীজদবা য়ারোইকো (নোকপা)।

য়াংথোইবা :- লাকও লাকও তরুবী নঙনা হেক চানিংলিবমখৈ পীজগে লাকও, নঙগী থায়নগী লৈশারিঙৈগী চাগনবদু হৌজিক ফাওবা হল্লমদ্রিনে (নোকপা)।

শেঙ্গোই :- চামন্দুনা মশাসে লশিং কাপোন মাল্লবনি, লাকও লাকও ননিং তেকপমখৈ চাররো লাকও।

তরুবী :- ঐখোয় মীওইবসে চাদ্রবদি হীংবা ঙমদবনি, ঐখোয়দিনে চাবা য়ারিঙৈসিদা খরা চাজহৌরগে, হয়েং য়া য়াওদ্রবকান্দা ইঙৈ নীল্লকান্দা চাও চাও হায়রসু করিসু চাবিররোইদবনি।

য়াংথোইবা :- সিদা হেক্তা ফল্লসি, শোমদা কোফী অহুমগা, আলু চোপ অহুমগা, চম চম অহুমদগা পুবীরকউ। তরুবী ! সি হান্না হেক্তা চারশিনে অমুক নঙনা চানিংবশিংদো মথং-মথং ওর্দর তৌসি (হোটেলগী মী লাংবগী মখোল)।

তরুবী :- নুংশানগা শাবনে, হুমাংনগা শৌবনে কোফী অশাবদুমগা থকচীনলবদি চপ হেক চারনি, ঐদি ঙসি নোয়না হেক পীজরিখৈ চাথরদবনি।

শেঙ্গোই :- য়াংথোইবা ! ঐখোয় থারিকথাদি নঙগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জগা মরি লৈননা তৌরিবা রিছার্চ প্রোজেক্টতা য়াওরি হায়নে, য়াম্না ফৈ নহাক্না অদুগুম্বা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপসে।

য়াংথোইবা :- থারিকথাগা ইমোসনাগনা ঐগী প্রোজেক্ট অসিগী থবক থৌরম পুন্নমক মথৱায় হকচাং য়াওনা তৌরিবনি, মবান্নি য়াওবগী ঐনা ঐগী থবকশিং অসি পাংথোকপা ঙম্লিবনি, অদো মরুপ শেঙ্গোই শিমলাগী এপল, ওরচার্দশিংদু ফজবনিকো য়েংবগী পেনবা নাইদবনি নঙনা হিমাচল প্রদেশতা থবক তারিঙৈদা অমুক্তং লাক্কে তৌবনি অদুবু নঙনা সিদা পোষ্টিং অমুক তারকপনা হাল্লে।

তরুবী :- ঐসু মোয় তাচৌনা আদা লৈরিঙৈদা অমুক্তং চৎহৌগে, কুল্লু মনালিগী ফজবা য়েংহৌগে তৌববু ফংদরে।

শেঙ্গোই :- তাঞ্জা চাবদা হেক চৎলগা লোইরেদা অদো মরুপ য়াংথোইবা হিমাচল প্রদেশকী এপল ওরচার্দশিং হৌজিক্তি মশিং য়াম্না হন্থরে, শেমগী হৈকোলশিংগী মহুৎতা কিৰি, কফোইনচিংবগী হৈকোলশিংনা মহুৎ শিনজিনলক্নো।

য়াংথোইবা :- হৌখিবা চহি খরগী মমাংদা ঐনা শিমলাদা চৎপা মতমদদি শেমগী হৈকোল মশিং থিঙমদনা লৈহৌবনি, মমুন ফারবা ফজরবা শেমশিংনা তেকথবমখে শেম পাম্বীশিংদা পানবদু য়েংবগী পেনবা নাইদবনি।

শেঙ্গোই :- চুম্মী মরুপ মতম অমদা এপলগী পোৎথোক্কীদমক মমীং চৎলম্বা মফমসে হৌজিক্তি হান্নগুম পোৎথোক ফজনা পুথোকপা ঙম্লকতরে, পুন্নমকসি মালেমগী শাবা হেনগৎলক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগীনি।

তরুবী :- মালেমসিগী মফম পুন্নমক্তা হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংনা মীওইবা ঐখোয়গী হীংনবগী লন্বীদা চাওনা অকায়বা পীরক্লি, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইনহনলক্লিবা অসিসু ঐখোয়ননি মসিদগী ঙাকথোক্নবা উপায়সু ঐখোয়না থীজবা তাবনি।

য়াংথোইবা :- অচুম্বনি পুন্নমকসে ঐখোয়না থোকহনজবনি, মালেমসিদা হৌজরম্বা, লৈজরম্বা মনা-মশিং, শা-ঙাগী মশিংশিং অসুমক মাঙশিনলক্লি, মতম মতমগী ওইরক্লিবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা অসিগা চান্নবা মখলগী মহৈ-মরোংশিং থাদুনা লৌউ-শিংউবগী থবকশিং ফগৎনবা হোৎনদুনা পোৎথোক পুথোক্নবা হোৎনবসু তঙাই ফদরে।

শেঙ্গোই :- ঊনগী শরুকশিং শাবা হেনগৎলকপদগী শৌদোরকপগী চাং ৰাংখৎলকপা, নীংথমথাগী মতমদসু ইংবগী চাং ৰাৎলকপা পুন্নমকশিং অসিদগী লৌউশিংউবগী পোৎথোক অসুম-অসুম হন্থরক্লি মরম অসিনা সমুদ্রগী লৈমায়দগী মিটর ১২০০ দগীনা ১৮০০ লোম ৰাংবা কুলু, শিমলা অমদি মান্দি দিষ্ট্রিকশিংগী মফমদা এপল থাবগী মহুৎতা অতোপ-অতোপ্পা মহৈ-মরোংশিং মরুওইনা কিৰি, কফোইনচিংবা থাবগী চাং ৰাংখৎলক্লি পুন্নমকসি অইং-অশাগী খল কায়রকপদগী ওইরক্লিবনি।

তরুবী :- এ ! কোফীসিদি লোয়না ইংলে, ৰারিদা কোফী থল্লম্লগসে অমতা উহৌদরে, নুংশা শাবসিদা ঐদি ফোং ফোং শাবা কোফী থকচগে তৌরগা (নোকপা)।

য়াংথোইবা :- অমুক হেক কৌরগা লোইরেদনা, শোমদা কোফী ফোং ফোং শাবা অমতংগা পুবীরকও।

-ম্যুজিক-

(মফম:- উমং, মতম:- অয়ুক, নুংশিবা উচেক ৰায়াগী খোঞ্জেল)

থারিকথা :- কয়াদা ইংনা চীক্লা ফজখ্রবা মফমনো, সহরগী অরাংবা মরক্তগী নাথৈদুনা নারক্তা লোৎতুনা শাৎলিবী নীংথিরবী লৈরাংগুম কয়াদা নীংথিজরিবা, য়েংঙু য়েংঙুবদা অশংবা ফীজোলতনা লৈতেংলিবী নুজাশিংগুম কয়াদা পুক্লিং হুরিবা...।

ইমোসনা :- কৈনো থারিকথা নতোমতা মুরুম মুরুম শোনলিদুবো, তুমদনা মঙ মঙলবরা হায়বনি নঙবো, খৌপুম তম্পাকসিদা মহৌশাগী নেচরেল রিসোর্চশিং থিজিনবা লাক্লগা নতোমতা খোঙনাং মখোঙসিদা ফমদুনা লৈরল্লিসিবো।

থারিকথা :- য়েংঙুনে মহৌশাগী ফজবশিংসে, শেম্বীবা মপুনা ঐখোয় থৰায় পানবশিংগীদমক অৰাৎপা লৈতনা শেম শাদুনা থম্বীরল্লবা মহৌশাগী পোৎথোকশিংসে ঐখোয় মীওইবনা অসুমক লেপ্পা লৈতনা মাংহনলক্লি, খুৎশেম কয়াবু মাংহনলুবদগী মহৌশাগী ঋতুগী খোঙচৎসু কায়রে, য়েংঙুনে তু অরাপ্পদা উরিবা লাম্মৈনা তুমনা চাকখ্রবা মরু কোক্লবা চীংশাং নাপোমশিংসে উরুবদা ঐদি পুক্লিংসে তনিক তনিক্লে।

ইমোসনা :- উমংনা ঐখোয়গী থৰায়নি, করিগীদমক ঐখোয়না উমংগী মফমশিংবু মাংতাকহনলিবনো তুংদা ওইরক্কদবা অমাংবশিং অসিবু খন্থবা তৌদনা, উমংশিং অসিবু কনবা হায়বসে উমংশিং অসিগী অনকপা অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী চাওরবা থৌদাং লৈ।

তরুবী :- থারিকথা... ইমোসনা... নবানিবু কদোমদা লৈগে, ঐখোয়দি ব্রেকফাস্ট চাদৌরে নোয় অনিসু লাকওদনা (কৌবা)।

থারিকথা :- আদা ঐখোয় ইন্নম্মগা, তাচৌগা, সারগদি ব্রেকফাস্ট চাবা হৌখ্রমাল্লে, ঐখোয়সু চারুরসি লাকও চৎসি।

ইমোসনা :- উম চৎসি, নোয় তাচৌনা হন্দক সিদা পোস্টিং লাকপসে ঐখোয়দদি য়াম্না কানরে, ঐখোয়গী ফোরেস্ট এরিয়াশিংগী সর্ভে চৎপদসু নোয় তাচৌনা মতেং য়াম্না পাংবীরে।

শেঙ্গোই :- লাকও লাকও নবানিসু স্বাইদা হেক্তা ফল্লরো লাকও উরুমসিদা। তরুবী অঙাং অনিগী চাগা চান্নবদুগা পীবীরোদনা।

তরুবী :- সে সে থারিকথা... ইমোসনা নবানিগী শরুক সিদা লৈরেসে।

য়াংথোইবা :- ঐখোয়গী লমদমসিসু ফজনা শারেহে, ঐদি হুমাংনবু পুমলুপ লুপলেনে, নুংশিৎকাসিসু চপ লেপখরে, শারে শারে মহৌশাগা য়াম্না খেন্নরে, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরে হায়বদু ময়েক শেংবা অসুম অসুম চহি খুদিংগী হেনগৎলক্লি।

ইমোসনা :- সার, ঐখোয়না ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা থোকহনলক্লিবা অহোংবা অকায়বা কয়াসিদগী ঙাকথোক্কে হায়রবদি সহরগী মফমশিং, খুঙ্গংগী মফমশিং অমদি চীংগী লমশিংদা উপাম্বী থাদুনা উ পাম্বী মরাং কায়না হৌহনবা তাবনি।

শেঙ্গোই :- অচুম্বনি ইমোসনা, ঐখোয় মীপুম খুদিংনা ফোরেষ্ট মেনেজমেন্টকী নীয়মশিং ঙাক্লা চৎপা তাই, উমংশিং য়োকখৎনবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলবতদা লমদম অমগী মফমঅমগী ইকো সিস্তেম কায়হন্দনা থন্বা ঙমগদৌরিবনি।

থারিকথা :- উমংগী পোৎথোকশিং, নেচরেল রিসোর্চশিং অরেম্বদা মাংহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থন্বা অমদি পোৎথোক হেনগৎহনবা হায়বসিনা লাইরবা মীওই কয়াগী হীংনবগী লম্বীসু ওইগদৌরিবনি।

তরুবী :- ঐখোয় মীওইবখক্কী নৎতনা থৱায়পানবা পুম্নমক, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, অপীকপা জীবশিংগীদমক উমং-ৱামং য়োকখৎপা হায়বসে য়াম্নমক তঙাইফদে।

য়াংথোইবা :- ঐখোয়গী লৈবাক ভারত অসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা তোপ-তোপ্পা বাইওডাইবর্সিটি লৈজবা অমদি বাইওডাইবর্সিটি হোটস্পোট য়াম্না লৈবা লৈবাক তরানিথোইগী মনুং চল্লিবনি।

শেঙ্গোই :- অচুম্বনি য়াংথোইবা, ঐখোয়গী লৈবাক্তা তোঙান তোঙানবা উমংগী শরুকশিং লৈজে, উমংশিং অদুদি হিমালায়ান ফোরেষ্ট, হোট দির্জাট ফোরেষ্ট, মেনগ্রোপ ফোরেষ্ট অমদি অত্তম ফোরেষ্ট হায়দুনা মখল তোঙান তোঙান্না লৈ। গ্লোবেল ফোরেষ্ট রিসোর্চ এসেষ্টমেন্ট রিপোর্ট ইং ২০১০ গী মতুংইন্না ঐখোয়গী লৈবাক ভারত অসি ফোরেষ্ট রিসোর্চ য়াম্না লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা তরাশুবদা লৈ।

ইমোসনা :- তাচৌ ! ঐখোয়গী উমংগী শরুকশিং অসি য়োকখৎনবগীদমক পায়খৎলিবা ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট পোলিসি অমদি প্রোগ্রামশিংগী মরমদসু হায়বীয়ু।

শেঙ্গোই :- ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট পোলিসি, প্রোগ্রাম কয়া অমা ঐখোয়গী গোভর্নমেন্টনা পায়খৎলে, উমংশিং অসি ঐখোয়গী কন্সষ্টিটুসনগী তরেৎশুবা সেদ্যুলদা চলহন্দুনা সেন্ট্রেল গোভর্নমেন্ট অমদি ষ্টেট গোভর্নমেন্টনা উমং ঙাকশেন্নবগী লো কয়া অমা শেমদুনা থল্লে। ইং ১৯৯০দগী ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট গী থবক অসি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কমিটিশিং শেমদুনা উমংগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংগা লোয়ননা উমং-ৱামং শেমগৎপা অমদি ঙাক শেনবগী থবক কয়াসু পায়খৎলে।

থারিকথা :- ঐখোয়গী উমংগী শরুকশিং নৌনা অমুক উপান্বী কয়া থাজিন্দুনা অমদি শেমগৎ শাগৎতুনা হায়বদি রিফোরেষ্টেসন অমদি এফোরেষ্টেসনগী প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপদগী ফোরেষ্ট রিছার্চ ইনষ্টিট্যুট, দেহরাদুনগী রিপোর্ট মতুংইন্না ইং ১৯৯৪দগীনা ইং ২০০৪ ফাওবদা কার্বোন সিঙ্ক অসি মিলিয়ন টন ৫৯২ হেনগৎলে হায়রি।

তরুবী :- অদুদি য়াম্না নুংঙাইবা পাওনি, অদুবু ঐখোয়না উপান্বী থাবসিমদি শুংলেপ লেপ্পা য়াদরে, ঐখোয়না অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কায়রক্লিবা অসি ঙাকথোক্কে হায়রবদি।

য়াংথোইবা :- য়ুনাইটেদ নেসন্সগী মখাদা ইন্টরগোভর্নমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (আই পি সি সি) ইং ১৯৮৮ দা লিংখৎতুনা মালেমগী ওইনা গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লুবা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

| | | |
|---|---|---|
| ইমোসনা | :- | সার, কিয়োটো-প্রোটোকোল হায়রিবা ইং ১৯৯৭ দা জাপানগী কিয়োটো সিটিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা সাইন তৌদুনা য়ানখিবা এগ্রিমেন্ট অদুদা য়াওরিবশিং অদুবু করি করিনো? |
| য়াংথোইবা | :- | কিয়োটো-প্রোটোকোল অসি মালেমগী থাক্তা তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অমনি, মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী থাদোরক্লিবা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং কার্বোনডাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, হায়দ্রোফ্লুরো কার্বোন, পর ফ্লুরো কার্বোন অমদি সলফর হেক্সা ফ্লোরাইদ থাদোরকপগী চাং অসি অকক্লবা চাং অমদা থমদুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা তৌনখিবা এগ্রিমেন্টনি। |
| শেঙ্গোই | :- | ঐখোয়গী লৈবাকসিদসু ইং ২০০৮ তা নেসনেল এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ শেমদুনা এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোন থাদোরকপগী চাং হন্থহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলে, হায়রিবা ক্লাইমেৎ এক্সন প্লান অসিদা নেসনেল ফন্দ ফোর ক্লাইমেৎ চেঞ্জ শেমদুনা রাজস্থান, সিক্কিম, হিমাচল প্রদেশ, তামিলনাডু, মীজোরাম, মণিপুর অমদি কেরলানচিংবা ষ্টেটশিংদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলে। |
| য়াংথোইবা | :- | হৌজিক ঐখোয় মীওইবনা খ্বায়দগী চাওনা অৱাবা মায়য়োক্লরক্লিবা অসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বদি অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কায়রকপদগী ওইরক্লিবা খুদোংথিবশিং অসি মায়পাক্লা মায়য়োক্লবা ঙম্লবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক অমতা ওইনা হোৎনমীন্নবা তাই (নোং কন্না খোংলকপা, নুংশিৎ শিংকৎলকপা)। |
| তরুবী | :- | (পাখৎপা) হৌজিক্কীদুবু নোং নৎতবরা খোংলিবদুবো, কৈনো হৌজিক্তা নুংশানা শেগাক কায়খৈ শারম্বদুবো, মায়কৈ পুন্বা নোংনা পুন্মম মমশিনখরে। |
| থারিকথা | :- | ইনন্মা নুংশিৎসু শিংকৎলক্লে, কমায় তৌনি ঐদি য়াম কীজরে, ঐখোয়না লৈরিবা মফমসিসু চীংলক্তনি, কদোমদনো ঐখোয়না চৎকদৌরিসিবো (পাখৎপা, নুংশিৎ কন্না শিৎলকপা)। |
| ইমোসনা | :- | পাখৎকনু কৈসু তৌরোইয়ে, অসোমদা য়ুম অমা লৈরিসে অসিদা ওইনা ঙহাক নোং থুপলুরসি। |
| শেঙ্গোই | :- | হে মীওইবা ঙহাক ঙহাক্কীদা নুংঙাইরগা লোইরে খনবা মীওইবা, তুংগী পোলোয় য়েংলুদবা, মহৌশাগী খুৎশেম কয়া থুগায়রুবনা অৱা-চৈথেং নংলেদো... (নোং নুংশিৎ, অখাক-অরাও য়াওনা শিৎপা, নোং কন্না তাবা)। |

-ম্যুজিক-